# দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে




থৌবাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
ৱাংজিং ৱিমেন্স এন্দ গার্লস সোসাইটি (দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এস) লিংখৎখিবগী ৬২রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি তেন্থা খোংবাল মল্টিপ্লেক্সতা চিংলেম্না পাঙথোকখ্রে। পনবা য়াবদি, দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এস অসি থৌবাল মায়কৈদা নুপী-অঙাংশিংগী য়াইফনবা থবক তৌবা খ্বাইদগী লিরবা লন্নাই লূপ (নন-গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসন) অমনি। মসিগী ফাউন্দরনা ৱাংজিংদগী লৈখিদ্রবা লাইশ্রম সুভাকুমারনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর ডা. এম নরানা চীফ গেষ্ট, থবক্তগী পোথারবা ভেটিরিনরিগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. এম রাজেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর থৌবাল এ কামেশ্বর, আই আর ঈ গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসনগী প্রিন্সিপাল নরেংবম রজিভকুমার অমসুং থৌবাল কোলেজগী এসোসিএট প্রোফেসর এল জেলশ্যামনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসকী ফাউন্দর সুভাকুমারগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা হৌদোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি এল প্রেমানন্দনা হায়, দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসকী চহী ৬০ হেনবগী পুৱারী অসিদা নুপী-অঙাংশিংগী ওইবা য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রে। মসিগী মথক্তা শেন্থোক লন্বী লৈতবা নহা কয়াদা মশাগা চানবা শেন্থোক লন্বী পীনবা থৌরাংসু পায়খৎলি। তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট ১০০ হেন্না মায় পাক্লা পায়খৎখ্রে। হৌজিক-হৌজিক দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা নুপীশিংতগী ওইবা ওল্ড এজ হোম ৭ হাংদোক্লে। মখোয়শিং অদুদি জিরিবামদা অমা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নারান শাইনা অমসুং ঙাইখোং সিফাইদা অমমম্, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী থোংজাও, নোনে দিষ্ট্রিক্টকী নোনে (খৌপুম ভেলি), ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী ফেরজোল অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা অমমম্লি হায়খি। পাঙ্গল শোন্থরবা অহলশিংবু লুনা-চানা তৌবীসি হায়খি।

প্রেমানন্দনা মখা তানা হায়, হন্দক্তা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন অমসুং দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এস অনী পুল্লগা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও ব্লোক্তা ষ্টার্ট অপ ভিলেজ ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ প্রোগ্রামগী মখাদা ইন্টরপ্রাইজ ১৫০ রোম হাংদোক্তুনা নহাশিংদা মশা-মশাগা চানবা শিনফমদা লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌজবা হৌহনখ্রে। চহী খূদিংগী দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসকী মপোক কুমওন নুমীৎ লালকপদা অহল ওইরবী ইমাশিংদা ঙমজবা খূদোলশিং তমদুনা ইমাশিং অসি পূন্সি নুংশাংনা লৈনবা মখোয়গী পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইহন্দুনা লাকচরি হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. এম নরানা থৌবাল মায়কৈদা দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসনা মতৌ করম্না খুন্নাইগী নুপী-অঙাংশিংগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপা হৌরকপগে হায়বগী ৱারী মীয়ামদা লিদুনা তাহনখি। দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসকী ফাউন্দর সুভাকুমার অসি ইচম চমজবা এল পি স্কুলগী ওজা অমা ওইজরবসু নুপীগী অৱাবশিং ঙন্না উখিবা লময়ানবা অমনি হায়না শীংথাখি। চহী ৬০গী মমাংদা লৈরম্বা নুপীশিংগী অৱাবা কয়া অদু মেনখৎনবা হোৎনখিবা, নুপীশিংবু নমথরগা থন্বা য়ানিংখিদবা মীওইনি। হ্যুমেনিজমগী ৱাখল্লোননা মাংদা থম্লগা থবক পায়খৎখিবা মীওইনি। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাং কয়া নৎত্রবসু লন্নাই ওইনা নুপী অঙাংশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎপা য়াই হায়বা ৱাখল্লোনদা দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এস অসি লিংখৎখিবনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা অহল ওইরবশিংবু ইবা-পাবা হৈহন্নবগী প্রোজেক্ট অমা দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসনা নীংথিনা মায় পাক্লা পায়খৎপগীদমক অতল বিহারি বাজ পায়ীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদা ইন্দিয়াগী ওইনা এন জি ও মঙা খনগৎপদা দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এস অসি য়াওখি, মনাসু ফংখি। মসিগী মথক্তা স্পেনদগী পিগ্নরি প্রোজেক্ট পায়খৎনবা শেঙ্গুংনচিংবা থাদরকখিবা দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ জি এসনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী থৌরম অদুদা ফুনাল মরিং, লংথবাল খুনৌ, ৱাংবল, সাপম, ৱাংজিং, তেন্থানচিংবা মফম কয়াদগী অহল ৩০০ হেনবদা নীংথম থাগী খূদোল ওইনা কম্বল অমমম্ খূদোল থমখি। অহলশিংনা নুংঙাইজবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু উৎখি।

# ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টরগী ইন্সট্রক্সন মতুং ইন্না দিসেম্বর ১৫দগী ২২ ফাওবা চয়োল অমা চুপ্না চথরকপা এন্টি দ্রগ দ্রাইভকী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিগাও এরিয়াদা এন্টি দ্রগকী এৱ্বেরনেসকী রেল্লি অমা চৎখ্রে।

নার্কোটিক সেল, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা চৎখিবা মাস এৱ্বেরনেস কেম্প্যেন অদুদা শরুক য়াখিবশিংদি ইম্ফাল ইষ্ট এদিসনেল এস পি (লো এন্দ ওর্দর), লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী এস দি পি ও, পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী এস দি পি ও, দি এস পি (কার), ও সী পোরোম্পাৎ অমদি নার্কোটিক সেলনি। সিভিল ওর্গনাইজে সনদনা য়ুঠ এথলেটিক দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (য়াদা), মৈরা পায়বী অমদি দ্রগ রিহেবিলিটেসন ওর্গনাইজে সননচিংবনা শরুক য়াখি।

ঙসি দ্রগকী মায়োক্তা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু নহারুপ থোংখোঙদগী হৌরগা থম্বালখোং ফাওরগা ক্ষেত্রিগাওগী এরিয়া ফাওবা চৎখিবা অদুদা মীওই ২০০ রোম্না শরুক য়াখি।

# মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):
ৱাহেংবম লৈকায় পার্কিংদা পার্ক তৌরিবা গারিশিং অমদি পোৎয়োনবীশিংদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সোনেলশিংনা চথুরিবা শেল লৌবগী চৎনবী অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবা হায়র ওথোরিটিনা য়েংশিলহৌদ্রবদি লায়রবশিংগী পুন্সি করি থোক্লগদগে হায়বা তম্বা ঙমদবগী থাক্তা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দি কংলা সোসল ৱেলফেয়র দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লো ইনফোর্সমেন্ট কাঙবুনা লমদম অসিদা লোবু খোঙ্গৌইনদুনা লৈরে। দিজল ওটো থৌদুনা অমদি লম্বীগী নাক য়েক্তা মনা মশিং য়োন্দুনা নোংমগী চারা তাঙ্গরিবা মীওইশিংদগী ত্রফিক পুলিস খরনা শেল খায়বগী থবক চথুরি। মসিনা মরম ওইরগা থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সোনেলশিংবুসু চেন্থহল্লে।

# শুমাঙ লীলা প্রদ্যুসর্স এসোসিএসন মণিপুরনা শক্লাইরবা শৈশকপা নবা ভোলকেনো ওকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
শুমাঙ লীলা প্রদ্যুসর্স এসোসিএসন মণিপুরনা সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লিগী জেনরেল কাউন্সিল মেম্বর ওইনা খল্লক্লবা শমুরাইলাৎপম নবচন্দ্র মীয়াম্না নবা ভোলকেনো হায়না খঙনরিববু তরাম্না ওকখ্রে।

সঙাই বজার হিয়াংথাংগী দেবলা মল্টিপর্পজ ওদিটোরিয়মদা নবা ভোলকেনোবু ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা অথোইবা মীথুং, শুমাঙ লীলা প্রদ্যুসর্স এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নিংঙোম্বম তোম্বনা থৌরম মপূ অমদি এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট হিয়াং লুখোইনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

সঙ্গিট নাটক একাদেমিগী জেনরেল কাউন্সিল মেম্বর খল্লক্লবা শমুরাইলাৎপম নবানা থৌরম অদুদা হায়, মণিপুরগী তাঙলবা লন ওইরিবা আর্টিষ্ট কয়া থিদোকপদা শুমাঙ লীলা প্রদ্যুসর্স এসোসিএসননা মতেং পাংবীয়ু। ঙসি শুমাঙ লীলা প্রদ্যুসর্স এসোসিএসন মণিপুরনা সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লিগী জেনরেল কাউন্সিল মেম্বর ওইনা খল্লকপদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকপীরিবা অসি তশেংনা লাইবক ফবা অমনি হায়না লৌজে। হৌখিবা চহী কয়াদগী এসোসিএসন অসিনা লমদম অসিগী আর্টিষ্ট কয়াবু ঙাক শেনবতা নৎতনা পূক্নিং থৌগৎতুনা লাকখিবা অদু লাক্কদৌরিবা চহীশিংদসু লমদম অসিগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়ানা মিংচৎ পুরকপা মতমদা মখোয়বুসু পূক্নিং থৌগৎপীরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবসু লৈ হায়খি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা ফোঙদোকখিবদা, আর্টিষ্টশিংনা অৱা-অনা তারকপা মতমদা মতেং ওইনবগীদমক আর্টিষ্টশিংগী ৱেলফেয়র ফন্দনচিংবা থমহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি। মণিপুর অসি কলা সংস্কৃতিগী পূক্কে ওইবা অচৌবা মফম অমা কনবনা মরম ওইরগা আর্টিষ্টশিংবু য়োকখৎকদবনি হায়খি।

থৌরম মপূগী ৱারোল পীরদুনা শুমাঙ লীলা প্রদ্যুসর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নিংঙোম্বম তোম্বনা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা আর্টিষ্টশিং ঙাক শেন্নবগীদমক শুমাঙ লীলা প্রদ্যুসর্স এসোসিএসন অসি শেমখিবনি। লেপ্পা লৈতনা লীলা কয়াসু পুথোক্তুনা মণিপুর মীয়ামগী মীৎকী লৈতেং ওইহনবতা নৎতনা ঙসিগী সোসাইটি অসিদা তারিবা ফত্তবা মমি কয়াবু লীলানা পাউজেল পীরদুনা অফবা লম্বীরোমদা ওন্থোক্তুনা পুথোকখিগনি। মসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

# গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ব্যুটি পেজেন্টদা টাইটল কয়া লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
গুৱাহাটিদা দিসেম্বর ১৬তা পাঙথোকখিবা নোর্থইষ্ট রোয়েল বোর্ন এন্দ রোয়েল ইন্টরনেসনলগী ব্যুটি পেজেন্টগী কন্টেষ্টতা খাঙবোক মায়স্নাম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম দায়মন্দনা মিষ্টর রোয়েল ইন্টরনেসনল ৱিন্নর অমদি মিষ্টর রোয়েল ইন্টরনেসনল বেষ্ট পোপ্যুলরগী টাইটল লৌরকখ্রে।

ব্যুটি পেজেন্ট কন্টেষ্ট অদুগী মনুংচন্না খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায়দা লৈবা জেমস থাংজমনা নোর্থইষ্ট রোয়েল বোর্ন এন্দ রোয়েল ইন্টরনেসনল অমসুং মিষ্টর বেষ্ট কোপল এন্দ মিষ্টর বেষ্ট টেলেন্টগী টাইটল লৌরকখি। লোয়ননা থোংজু পার্ট-১গী ফৈজালৈতোংদা লৈবা থোঙাম য়াইপুবী চনুনা মিস রোয়েল ইন্টরনেসনলগী থর্দ রনর্স অপ অমদি কক্ৱা মাইবম লৈকায়দা লৈবা রিমেক্সন ওইনামনা মিষ্টর রোয়েল ইন্টরনেসনলগী ফোর্থ রনর্সঅপকী টাইটল ফংলকখি। গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা নোর্থইষ্ট রোয়েল বোর্ন এন্দ রোয়েল ইন্টরনেসনলগী ব্যুটি পেজেন্টগী কন্টেষ্ট অদু লমদম অসিগী শক্লাইরবি মেকঅপ আর্টিষ্ট তাংবি গুরুময়ুমনা ইভেন্ট কোওর্দিনেটর ওইখিবনি হায়রি।

# মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):
নশা মুক্ত ভারত কেম্পেইন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মেম্বর সেক্রেটরি অরাম্বম কামেশ্বরনা অথোইবা মিথুংলেন, আর দি এস ৱাংজিংগী মেম্বর মনাওবী অমসুং হৈরোক অপুনবা ক্লবশিংগী কো-ওর্দিনেটর এল মন্দিরনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইদুনা স্পেসল রিভিয়ু মীটিং অমা ঙসি দি সি থৌবালগী কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা অরাম্বম কামেশ্বরনা রিহেবিলিটেসন সেন্টর ফোর এদিক্ট এন্দ সর্বিস প্রোভাইদর আই আর সি এ গা খুৎশম্নদুনা ময়ায় কাবা চিঞ্জাক থিংবগী মতাংদা মেম্বর ভোলুন্টিয়রশিংবু ৱাখল লৌশিং কয়া তাকপী তন্বীখি।

# মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
দেল্লিদা লৈবা ডা. বি আর অম্বেদকর ভবনদা পাঙথোকখিবা বাবু জগজিবন রাম কলা সংস্কৃটি এন্দ সহিত্য একাদমিগী থৌরম অমদা তোঙান তোঙানবা হিরমদা মথৌ নিংথিনা তৌবা মীওইশিং নেসনেলগী থাক্তা মনা পীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখ্রে হায়না দলিট সহিত্য একাদমি, মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অদুগী মনুংচন্না গ্লোবেল কোরোনা ৱারিয়র এৱার্দ কম্মিটি, ইন্দিয়ানা পীবা কোভিদ-১৯ নেসনেল ৱারিয়র এৱার্দ-২০২০ গী মনাসু লান্থোকখি। মণিপুরগী মীওই ১০ অমদি ভোলুন্টরি ওর্গানাইজেসন অনীদা হায়রিবা মনা অসি পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলকখি। এৱার্দ অসি ফংলকখ্রবা মীওইশিং অদুদি ডা, কে ঐচ অকোইসানা, কোঞ্জেংবম ইবুঙো, তেকচম রাজু, নিংথৌজম মংলেমজাও, সোইবম সুরচন্দ্র, এন জি নিলাকান্তা, নাওরেম তাংবী (নর্স), ডা. ৱাই শান্তিকুমার, থোকচোম নবকুমার অমসুং ডা. পি ইনাকখুনবীনি। এৱার্দ ফংলকখ্রবা ওর্গনাইজেসন অনী অদুনা ভোলুন্টিয়র্স ওফ এন্টি কোভিদ-১৯, কোদোমপোকপী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং টাস্ক ফোর্স এন্টি কোভিদ-১৯ নি হায়রি।

# এন ঈ আই দি পিনা শিখোং সেকমাইদা লম্বী শেমজিনখ্রে



থৌবাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা শিখোং সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লাক্কদৌরিবা ২০২১গী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ইলেক্সনদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি)গী মীরেপ ওইনা ৱার্দ নম্বর ৯দা থোক্কদৌরিবী থাংজম ওংবী কভিতা, উখোংশাং ময়াই লৈকাইদা লৈবীগী লিচিং মখাদা ৱার্দ নম্বর ৯ অসিগী মনুং চন্না লৈবা খুলগী ফীভম চাদ্রবা লম্বীশিং শেমজিনবা হৌখ্রে।

হৌখিবা চহী কয়াদগী উখোংশাং ময়াই লৈকাইগী ৱার্দ নম্বর ৯গী লম্বীশিং অসি শেমজিনবীদনা লাকখিবা মরম্না লৈকাই অসিগী মীওইশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। মরুওইনা নোংজু থাগী মতমদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মীয়াম্না খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। অদুবু লম্বী অসি শেমজিনখ্রবনিনা লৈকাই অসিগী মীওইশিংনা থেংনরম্বা খূদোংচাদবশিং অদু ফরগনি।

# বিষ্ণুপুর কম্মান্দোনা কানি কে জি ২৭.৯গা কোন্ননা মীওই অহুম ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচ এনএস):
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দো অমদি নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা নিংথৌখোং কৈথেলদগী নুপী অনী য়াওনা মীওই অহুমদগী য়াম্লবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক কানি পেক্কেট ১৬কা কোন্ননা ফারে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর এস পি প্রিয়াদর্শিনীগী মীৎয়েং মখাদা এদিসনেল এস পি (ওপস) ওক্রম ৱাংখোম্বগী কম্মান্দ মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দো এ এস আই, এন নেত্রজিৎনা লুচিংবা নুপী পুলিস কন্সটেবল য়াওবা টিম অমনা নিংথৌখোং কৈথেলদা চিংনবা খরা লৈবদগী মারুটি সুজুকি ৱেগোন আর কার (এম এন ০১ দব্লিয়ু- ৭৪২১) অমা খামদুনা চ্যেক তৌবদা মীওই অহুম অদু কানিগা কোন্ননা ফাখিবনি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক কানিগা কোন্ননা ফারবা মীওই অহুম অদুদি সাইকুল কৈথেলদগী থোঙৌলেন তৌথাং (৩২) অপোকপা সোলেন তৌথাং, হেলেন দৌঙেল (৪০) অপোকপী লুনকাম দৌঙেল অমদি হেলেং দৌঙেল (৫০) মপুরোইবা জোন দৌঙেলনি। মখোয়না লোন্না পুরকপা তোঙান-তোঙানবা প্লাষ্টিক পেক্কেট ১৬তা হাপ্লগা পুরকপা কানি কেজি ২৭.৯ রোম অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। কানিগা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা ৱাহং-পাউহংনবা অমদি এক্সন লৌখৎনবগীদমক বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# শোল্লবা অহলশিংদা লেৱানা মৈফু অমদি মৈতান পীখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
লমদিং খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা অহলশিংদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা)না মৈফু অমসুং মৈতান য়েন্থোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা ইরমদম অসিদা শেল-থুমগী ফীভম কা-হেন্না শোত্থরবা ইমুংগী অহলশিংদা নীংথম থাগী ঈংলবা মতম অসিদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা)গী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা লুচিংবা লূপ অসিগী মেম্বরশিংনা ঙসি লমদিং খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা অৱাবা ইমুংদা মতেং পাংবা মখা চথুরকপা ওইনা মৈ য়াইনবা মৈফু অমদি মৈতান বোরা অমা য়ূম-য়ূমদা চৎতুনা লেম্না য়েন্থোকখিবনি। পোৎলমশিং অদু পীবদা অহলশিংনা হরাউবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লেৱাগী মেম্বরশিংদা য়াইফ থৌজালসু পীরকখি হায়রি।

# এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
মণিপুর দোগ লভর্স ক্লবনা হাওবম মরক সোসল য়ুনিয়ন ক্লব অমদি ভেটিরিনরি দিপার্ট-মেন্টগা খূৎশম্নদুনা ফ্রী এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন কেম্প অমা ঙসি হাওবম মরক গার্লস হায় স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকাই অমদি অকোয়বা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না য়ূমদা লোইবা হূই ১৩৪দা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকখি হায়রি।

# নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২২ (ঐচএনএস):
য়ুনিভর্সেল ষ্টদি সেন্টর, ইম্ফালনা চহিগী ওইনা পুথোকপা মতমগী মণিপুর খূৎপাইগী হৌজিক হৌজিক এদিটর ওইরিবা ৱাংখৈময়ুম হোমেন্দ্রো, ৱাংখৈ ৱাংখৈময়ুম লৈরক্তা লৈববু হন্দক্তা নৌনা গোভিন্দজি টেম্পল বোর্দকী পাঞ্জি শঙলাকপা ওইনা হাপলকখিবদা য়ুনিভর্সেল ষ্টদি সেন্টরনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতম শাংনা মীয়ামগী থবক থৌরম তৌবা ঙম্নবা ঈশ্বরগী মফমদা নিজরি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি গোপীমোহোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

OFFICE OF THE
LOKTAK DEVELOPMENT AUTHORITY
(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠꯂꯣꯟ / NOTICE INVITING e-TENDER

NIT No. PD/LDA/IWT-IMP/2019 Date : 19-12- 2020

The Project Director, Loktak Development Authority, on behalf of the Chairman (LDA),hereby invites on-line tenders, in two bid system(Technical and Financial Bid),from eligible bidders as per enclosed specifications and related terms and conditions:

| Sl. No | Name of Work and NIT No. | Approximate value of work | EMD | Tender Fee | Period of Completion |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Tender Notice No. PD/LDA/IWT-IMP/2019- 1 Supply of Aquatic Vegetation Cutter – 1 no. for removal of floating and rooted vegetation for improvement of Inland Water Transport in Loktak Lake. | Rs. 3,80, 95,385/- | Rs. 7,61,908/- | Rs. 2500/- | 6 months |
| 2. | Tender Notice No. PD/LDA/IWT-IMP/2019- 2 Supply of Aquatic Weed Harvester – 1 no. for removal of floating and rooted vegetation for improvement of Inland Water Transport in Loktak Lake. | Rs. 3,26,42,308/- | Rs. 6,52,846/- | Rs. 2500/- | 6 months |
| 3. | Tender Notice No. PD/LDA/IWT-IMP/2019- 3 Supply of Long Boom Amphibious Excavator – 1 no. for improvement of Inland Water Transport in Loktak Lake | Rs. 2,34,61,538/- | Rs. 4,69,231/- | Rs. 2500/- | 6 months |
| 4 | Tender Notice No. PD/LDA/IWT-IMP/2019- 4 Supply of Long Carriage Track Excavator (long Boom) – 3 nos. for improvement of Inland Water Transport in Loktak Lake | Rs. 1,87,79,499/- | Rs.3,75,590/- | Rs. 2500/- | 6 months |
| 5 | Tender Notice No. PD/LDA/IWT-IMP/2019- 5 Supply of Self-propelled Amphibian multifunctional Dredger– 1 no. for improvement of Inland Water Transport in Loktak Lake | Rs. 4,88,69,390/- | Rs.9,77,388/- | Rs.2500/- | 6 months |
| 6 | Tender Notice No. PD/LDA/IWT-IMP/2019- 6 Supply of Winch (5 ton) – 3 nos. for improvement of Inland Water Transport in Loktak Lake | Rs. 18,46,154/- | Rs.36,923/- | Rs.500/- | 6 months |

Details of the tender will be available at the website http://manipurtenders.gov.in The tender documents shall be available online from 2:00 PM of 23-12-2020 to 11 AM of 12-01-2021 and date of opening of technical bid is 2 PM of 12-01-2021.

Sd/-
Project Director
Loktak Development Authority

HL-B/6636/23

OFFICE OF THE
MANIPUR STATE WOMEN'S DEVELOPMENT CORPORATION LTD, IMPHAL
(A Government of Manipur Undertaking)

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠꯂꯣꯟ / N O T I C E
Imphal, the 21st December, 2020

No.3/55/MSWDC/IE/2018: It is hereby notified that the Manipur State Women's Development Corporation Ltd., Imphal is conducting various Vocational Training Programme for destitute Women who are in the age group of 18-50 years. The annual family income of candidates should not exceed double the poverty line in the limit of Rs. 40,000/- for rural areas and Rs. 53,000/- for urban areas. Willing candidates to undergo the said training can apply in the prescribed Form obtainable at the Office of the MSWDC, Social Welfare Building, Directorate Complex, near 2nd MR Gate, Imphal on or before 26th December, 2020.

Details are given below:

| Sl. No. | Name of the Trade | No. of trainee | Location of Vocational training centre | Duration of training course | Date of Interview |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mushroom Cultivation | 30 | Patsoi Part II, Imphal West | 3 months | 28th December, 2020 at 11:00 am |
| 2 | Doll Making | 30 | Khamnam Bazar, Imphal West | 6 months | 29th December, 2020 at 11:00 am |
| 3 | Tailoring & Embroidery | 20 | Senapati District Head Quarter, T.N.K Senapati | 6 months | 4th January, 2021 at 11:00 am |

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Managing Director
MSWDC Ltd., Imphal

HL-P/8321/23

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Class starting from 10th Dec. 2020
under strick SOP guidelines

For Class XI & XII
Subject offered are:
Maths
Physics
Chemistry
Biology

For Class X
Subject offered are:
Science
Maths
Social Science
MIL

Class timing:
6:00 am - 9:00 am
10:00 am - 2:00 pm

*First come first serve

For more details please contact:
9089770462, 9856331259

HL-B/6584/5/12-1/02